মৈতৈ/মীতৈবু...

লামায় ১গী মখা... মহাক্না হায়, য়েলহৌমী ওইনা ইশাগী অশেংবা শক্তম ঙাক্তুনা মালেমদা পাঙ্গল থোক্না পোংথোক চাউথোক্না হিংবদা মতেং ওইনবগীদমক সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চন্দবা য়ারক্ত্রে হায়বসি মৈতৈ/মীতৈশিংনা খন্থগদবনি। য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা মৈতৈ/মীতৈসু অমনি। মরম অসিনা মসিগী ফিদা ফংফম থোকই। কন্মিটিনা লানখৎখিবা চেরোলগী মতুংইন্না রেক্কমেন্দ থারক্লবা সেপ্টেম্বর ২৯, ২০১৩দা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহল্লকপা লৈখ্রবনি। রেক্কমেন্দ তৌনবগীদমক সেপ্টেম্বর ১৮, ২০১৬ অমসুং মার্চ ৩, ২০১৯দা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎশিংসু চৎখ্রবনি। অদুবু লাইবক থীবদি ঙসি ফাওবদা রেক্কমেন্দেসন থাবীদ্রি। অদুবু কন্সটিট্যুসননা ঙাকলৌ পীগদবা লিষ্ট অসিদা চন্নবগীদমক অমসুং অমত্তা ওইবগী কাখলদা নুংশি চান্নবা হেনগৎহন্দুনা অপূনবগী শক্তম কন্নবগীদমক মৈতৈ/মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়খি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.632488
US Dollar	74.927694
British Pound	102.598292
Australian Dollar	56.373546
Chinese Yuan Renminbi	11.713408
Japanese Yen	0.657352
Malaysian Ringgit	18.093400
Singapore Dollar	55.550525
South Korean Won	0.063774
Saudi Arabian Riyal	19.980718
Thai Baht	2.251571

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47124.00
Mumbai	–	Rs	47460.00
Delhi	–	Rs	47376.00
Kolkata	–	Rs	47710.00

GAS NEWS

KHORIPHABA NAMBOL
Bk upto date
Stock -70
Home delivery cont :
9366471778, 8974087390, 8787632782
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING upto 27-09-2021,
VALID FROM 19-09-2021,
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
MANIPUR GAS SERVICE
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 14/10/2021
Valid from 19/09/2021
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING : BK. UPTO DATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking-- Upto Date(14.2kg)
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM
KHUMBONG INDANE
Booking upto 12-10-21
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am
M/S K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 13/10/2021
BOOKING UPTO: 14/10/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ঈ ওগী চার্জ অতোপ্পদা পীশিনবা য়ানীংদে : কে য়ু দি সী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস):

কুম্বী এ সীগী এম এল এ দিসক্কালিফাইদ তৌখিবদগী মপু পানদনা লৈরক্লিবা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (কে এম সী) গী এগজিক্যুটিভ ওফিসর (ঈ ও) এম ইনাওবী (এম এন এ এস-৩) বু শিনদোল্লগা মোইরাংগী ঈ ও ইন-চার্জদা এদিসনেল চার্জ ওইনা কে এম সীগী ঈ ওগী থবক তৌহল্লকপবু কুম্বী অর্বান দিভেলপমেন্ট কন্মিটিনা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

কে য়ু দি সী, কুম্বীগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর বিপিন খাঙেম্বমগী চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী মাহুদ লোয়শঙনা ওক্টোবর ২৭, ২০২১দা থোরকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না কে এম সীগী ঈ ওবু লমশাং নগর পঞ্চায়টগী ঈ ও ওইনা থাংদোকখ্রগা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ঈ ওনা কে এম সীগী ঈ ও ইন চার্জদা এদিসনেল ওইনা থবক পীশিনবগী থৌওংসিদি শোথদুনা লৈরবা এ সী অসিদা অমুক হন্না শোখহন্নবা শীনবগী থৌওংগা চপ মান্নে হায়রি।

মসিগী মতাংদা কে য়ু দি সীগী মীদিয়া কোওর্দিনেটরগী চেরোল অসিনা কুম্বী অসি এম এল এ লৈতবদা নত্তনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলসু ফেব্রুৱারী ৫, ২০২১ দগী টর্ম লোইখিবদগী দিজোল্ব তৌখিবনি। চ্যেরপর্সন, কাউন্সিল অমদি মেম্বরশিং লৈত্রবা কে এম সীগী থবক থৌদাশিং ঈ ও অমদি অতৈ ষ্টাফশিংনা মায়পুনদুনা লাকপনি হায়রি।

অসিগুম্বা ঈ ও অমবু থাংদোকখ্রগা অতোপ্পা ম্যুনিসিপালগী ঈ ওদা অহেনবা চার্জ ওইনা পুহনবা হায়বসি কে এম সীনা কোনবা মফমদা পায়খৎলিবা অমদি পায়খৎলক্কদৌরিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোগ্রামশিং লোয়ননা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা খুরৌ থাংবা ওইনা থোক্কনি হায়রি।

নেসনল য়ুনিটি দে, ২০২১গী থৌরম পাঙথোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অমা ওইরিবা ষ্টেচ্যু ওফ য়ুনিটি শাগৎতুনা থল্লি হায়খি।

শর্দার পটেল বৃটিশকী মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী নীংতম লান্থেংদা শরুক য়াখিবা থৌনা ফবা ফ্রীদম ফাইটরশিংগী মনুংদা অমনি হায়খিবগা লোয়ননা নেসনল লীদর অমা ওইনা মহাক্না লৌমীশিংগী খোঙজং, সিভিল দিসওবিদেন্স মুভমেন্ট, ক্যুইট ইন্দিয়া মুভমেন্টনচিংবদা গান্ধীজিগী ৱাখল্লোন মখাদা নীংতম লান্থেংদা শরুক য়াখি হায়খি।

লুচিংবা অসিনা হৌজিক্কী ওল ইন্দিয়া সর্ভিসেস সিষ্টম অসিবু হৌদোকপীরম্বগীদমক মহাকপু হৌজিক ফাওবদা 'পেত্রোন সেন্ট ওফ ইন্দিয়া' হায়দুনসু খঙনরি হায়খি।

মহাক্না মতম অদুগী বৃটিশকী মখাদা লৈরম্বা লমশিং অমসুং নীংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক ৫০ হেন্না ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট, ১৯৪৭কী মখাদা অমত্তা ওইনা পূনশিন্নবা হোৎনরমদুনা হৌজিক লৈরিবা মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক অমসুং অমত্তা ওইরবা ইন্দিয়া অসি শাগৎলম্বনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হৌখিবা চহী মরি মখায়রোমদা মীয়াম্না নুংশিবীদুনা সপোর্ট তৌরকখিববু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু চীং অমসুং তমগী মরক্তা লৈরম্বা অহাঙবশিং শমজিন্নহন্দুনা মণিপুরবু মপূং ওইনা চাওখৎ মায়কৈরোমদা পুশিল্লক্লি হায়খি।

কুমজা ২০১৭তা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকপদগী ষ্টেট অসিদা অফবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা তোঙান তোঙানবা থবকশিং লৌখৎতুনা লাক্লি হায়রদুনা মণিপুরবু চাওখৎহনবা অমসুং মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং পুরকপা ঙম্লে হায়খি। পুকচেল শেংনা অমসুং কখোকপগা লোয়ননা হোৎনবনা মখা তানসু ষ্টেট অসিবু চাওখৎহনবা ঙমখিগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা মথং থাগী ২দগী হৌরদুনা ষ্টেট অসিগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা গো টু হিলস ২.০গী থৌরমশিং পাঙথোক্লবা লেপ্লে। মীয়ামগী য়ূমথোঙ খুদিংদা হকথেংননা চৎপগী কেম্পশিং পাঙথোক্লগনি। মসিনা বেনিফিসরি ওইরবা য়াবা মীওইশিংদা মতম চানা খুদোংচাবশিং ফংহনবগা লোয়ননা মখোয়না মায়োক্লবা অৱাবশিংসু কোকহল্লগনি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা শরুক য়াখিবশিংনা নেসনল য়ুনিটিগী ৱাশক লৌমিন্নখি। থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা বি এস এফ, সী আর পি এফ, কম্বাইন্দ মণিপুর রাইফলস মেল কন্টিনজেন্ট, আই আর বিগী নুপাগী কন্টিনজেন্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী সিভিল পুলিসকী নুপাগী কন্টিনজেন্টশিং, ৯শুবা আই আর বি মিহলা কন্টিনজেন্ট, এন সী সীগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী কন্টিনজেন্টনচিংবা কন্টিনজেন্ট ৯না পীবা সেল্যুট ওকখি।

ঙসিগী পেরদ কন্মান্দরনা ৮শুবা আই আর বিগী দেপ্যুটি সী ও কে ঐচ রোবিনসননা ওইখি। ঙসিগী থৌরম অসিগী মাঙওইননা অয়ূক্তা চীফ মিনিষ্টরনা হাপ্তা কাংজৈবুংদগী মোটোর সাইকল রেল্লি অমা লমথাখি। রেল্লি অদু মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা শীনবনি। রেল্লি অদুবু এ দি জি ক্লে খোংসাই, দি আই জি কামৈ অঙম রোমানস অমসুং ককচীংগী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা লুচিংদুনা মাও গেট ফাওবা নেসনল য়ুনিটিগী পাউজেল শন্দোক্লবগী পান্দমদা চৎখি।

তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংগী রাইদর ৭০০ লোমনা শরুক য়াখিবা রেল্লি অদুগী পার্টিসিপেন্টশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা পার্টিসিপেসন সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

এম বি বি এস ...

লামায় ১গী মখা... কামৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি প্রেস ক্লবতা মহাক্না পাউমীশিংদা হায়, হায় কোর্টতা পি আই এল ফাইল তৌখিবগী মতুংইন্না একাদেমিক সেসন ২০২১-২০২২দগী শুংশোয় শোয়দনা সিট মশীং ৫০ হেনগৎকদবনি হায়বগী ওর্দর লৈখ্রবনি। মসিগী মথক্তা কুমজা ২০১৭তগী হৌরগা ২০১৯ ফাওবদা চঙগদবা শেনফমশিং লুপা ক্রোর ৫৬.৩৭সু সেঙ্কসন তৌরকখ্রবনি। শেনফম অসি জেনিমসতা সিট মশীং হেনগৎহনবা অমসুং চুড়াচান্দপুরদসু মেদিকেল কোলেজ লীংনবগীনি। মরম অসিনা চুড়াচান্দপুরগী মেদিকেল কোলেজ শঙ্গাদ্রিঙৈগী মমাঙদা মেদিকেল দিরেক্টোরেটনা রিমস অমসুং জেনিমসতা এম বি বি এসতা মিং চন্নবগী কাউন্সেল্লিং তৌবীগনু। কোর্স অসিবু তম্নিংলিবশিংদা তম্বা ফংহল্লু হায়না মহৈরোয়শিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রক্লিবসি ক্কালিফাই ওইরবশিংবুদি করিয়র মাঙহনবীগনু হায়বনি হায়খি।

কন্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট এম দি অলমনা চুড়াচান্দপুরগী মেদিকেল কোলেজদা মমাঙ থাগী ২১দগী হৌরদুনা এম বি বি এসতা মিং চনবা ফংহল্লগনি হায়খিবদু হৌজিক ফাওবা তংদাংবা খঙদ্রি। কোলেজ অসিগী য়াওনা জেনিমসকী মতাংদা তংদাংবা অমা খঙদ্রিবা ফাওবদি মিং চনবগী কাউন্সেল্লিংগী থবক তৌবীগনু হায়খি।

দক্ষিনাগী হিদান্নবা য়াওগুমসি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস):

চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা নিংঙোলশিংগী চাউরবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা দক্ষিনাগী হিদান্নবা য়াওদনা মবুং মৌপ্পা অমদি মচে মচল ওইবগী নুংশিবগী লিপূননা পুল্লসি হায়না য়ঙ ৱিমেন হেল্প ওর্গনাইজেসন, ৱাংখৈ থম্বালখোং থোং মনাক্কী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শান্তিনা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা চহী খুদিংগী ওর্গনাইজেসন অসিনা পাঙথোরকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম মমাঙ চহীদদি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা নাথৈখ্রবসু হন্দক চহীগীদি মথং থাগী ১০দা ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্টগী কোংপাল চনম লৈকায় ঈগী থোং মনাক্তা লৈবা য়ূমদা পাঙথোক্লগনি। মসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

ঙসি ক্রিটিক ফোরম মণিপুরগী কুমওন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস):

হয়েং লংথবাল কুঞ্জদা লৈবা কংলৈ মাইম থিএটর রেপরটরিগী শঙলেনদা অয়ূক পুং ১১ তারকপদগী ক্রিটিক ফোরম মণিপুরগী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি অথোকপম খোলচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না অনী থোক্না পাঙথোকচগদবা থৌরম অসিগী অহানবা শরুক্তা থা ৫ চূপ্পা চথখিবা লৈপুং ফম্বদা মরু ওইবা ৱাঙাঙলোই ওইখিবা অমদি থৌরমবু স্পোন্সর তৌখিবা খুদিংবু তরাম্না ওক্কনি। থৌরম অসিদা প্রোফেসর নোংমাইথেম তোম্বীনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা এম য়ুগী ঈ এম আর সীগী থবক্তগী পোথারবা দিরেক্টর ডা. নোংথোম্বম প্রেমচান্দ (ক্রিটিক ফোরমগী ভাইস প্রসিদেন্ট) না ময়ায় তাংবল লৌগনি হায়রি। নুংথিল পুং ১দা পাঙথোক্কদবা ২শুবা থৌরমদনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ূম্নাম খেমচান্দনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা ক্রিটিক ফোরমগী প্রসিদেন্টনা ময়ায় তাংবল লৌগনি।

থৌরম অসিদা মালেমগী শক্লাইরবী হৈস্নাম ওংবী সাবিত্রিনা 'ঐগী থিএটরগী খোঙচৎ' হায়বসিদা ৱা ঙাঙগনি অমসুং তোঙান তোঙানবা মনা ফংলক্লবা ক্রিটিক ফোরমগী মেম্বরশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎকনি হায়রি।

কোভিদনা স্কুল থিংজিনবগী মতাংদা ...

লামায় ১গী মখা... য়াখি। প্রোগ্রাম অসিদা জেনিমসকী ন্যুত্রিসনিষ্ট (পি সী ও ঈ) ডা. এন জি বেমবেম, ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট অনুরধা ঙাঙোম অমসুং করিয়র কাউন্সেল্লর সঞ্জেনবম সিলোমিনা রিসোর্স পর্সনশিং ওইখি।

থৌরম অসিবু হৌদোক্লদুনা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিননা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল ফোঙদোক্লদুনা অসিগুম্বা লিগেল এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীদুনা মখোয়না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং লোগী ওইবা পান্থে অমসুং লম্বীদা কোকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ডা. এন জি বেমবেমনা মরু ওইনা পেন্দমিক মনুংদা ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহনদুনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক বেলেন্স দাইট চাগদবনি হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

অনুরধা ঙাঙোমনা হৌজিক স্কুল অয়াম্বদা ওনলাইন ক্লাসশিং চথনরকপনা অঙাংশিংদা স্ক্রিননা পীরকপা ইফেক্ট অমসুং মসিদা অকক্লবা মতম থম্বগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

সঞ্জেনবম সিলোমিনা অঙাংশিংগী চান্নবা করিয়র খনবগী মতাংদা লৈরিবা মরু ওইবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অদু লোইশিল্লকপদা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শরুক য়ারখিবা পূম্নমকপু থাগৎ ৱাহে ফোঙদোকখি।

এস পি ভিজিলেন্সনা করপসন ...

লামায় ১গী মখা... মনুং চন্না ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টকী এস পি সোরোখাইবম গৌতমনা করপসনগী মায়োক্তা লান্থেংননবা ৱাশক লৌহনখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ৱাশক অদু থা অসিগী ২৬কী অয়ূক পুং ১১ তারকপদা লৌখ্রবা মতুং মখা চত্থরকপা প্রোগ্রামদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টশিংদা ৱীক অসিগা মরী লৈননা পোষ্টর কেম্প্যেনশিং পাঙথোকখি অদুগা ঙসিনা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টনা মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিএসন (মামবা) গা খূৎশম্নদুনা অয়ূক পুং ৬.৩০ তারকপদা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনখোঙদগী লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর নৈলেনথাং টেলিএন্টনা সাইকল রেল্লি অমা লমথাখি। রেল্লি অসিদা সাইকল সিটি মেয়র, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. সঞ্জিৎ নেপ্রম অমসুং মামবাগী প্রসিদেন্ট অরুনকুমার ঙাঙোম য়াওনা সাইক্লিষ্ট ৬০ রোমনা শরুক য়াখি।

লম্ফেল পাৎকী দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা ভিজিলেন্স অমসুং এন্টি করপসনগী এস পিগী ওফিসতা রেল্লি অসিগী লমথুংফম ওইখি। লোয়ননা রেল্লি অসিদা শরুক য়াখিবা পার্টিসিপেন্ট পূম্নমক্না মফম অদুদা থুংলবা মতুংদা ভিজিলেন্স অমসুং এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টকী এস পি সোরোখাইবম গৌতমনা করপসনগী মায়োক্তা লান্থেংমিন্নবগী ৱাশক লৌহনখি।

সেন্টরনা কোভিদ-১৯ থেংননবা পীরকপা শেনফম মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অনীগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা ৱায়েল চত্থরক্লিবা পি আই এল অসিগী মতুংইন্না কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২ অমসুং ৩ ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (হেল্থ) অমসুং দিরেক্টর (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) গী মায়কৈদগী স্পেসল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) হাওবম রোসিতানা হায় কোর্টতা এদিসনেল এফিদেভিট অমা থা অসিগী ২১দা সবমিট তৌরকখি।

স্পেসল সেক্রেটরি অসিগী এদিসনেল এফিদেভিট অদু কোর্ট অসিনা পি আই এল অসিগী মতাংদা চত্থরকখিবা ৱায়েলশিংগা মরী লৈননা সেপ্টেম্বর ১০, ২০২১দা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না সবমিট তৌরকখিবনি। কোর্টকী ওর্দর অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থেংননবগীদমক লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংগী চপ চাবা ষ্টেটস রিপোর্ট/এপ্রোপ্রিএট রিপ্লাই অমা পীরক্লবা খঙহনখিবনি।

হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চকী দিরেক্সন মতুংইন্না স্পেসল সেক্রেটরি অসিনা সবমিট তৌরকখিবা এদিসনেল এফিদেভিট অদুদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা কোর্টকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী ফীভম অমসুং অতোপ্পা হেল্থকা মরী লৈনবা মেট্টরশিংগী মতাংদা রিভিয়ু মীটিং অমা সেপ্টেম্বর ১৮, ২০২১দা পাঙথোকখি। হায়রিবা মীফম অদুদা ইমর্জেন্সি কোভিদ রেসপোন্স প্রোজেক্ট (ঈ সী আর পি) ফেজ ১বু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা এপ্রুভ তৌরক্লে হায়না ফোঙদোরকখি। অদুগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অয়াবা পীরক্লবা ঈ সী আর পি - ফেজ ১ অসি চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়নসু খঙহল্লকখি হায়রি।

লোয়ননা ঈ সী আর পি ফেজ ১ অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা এপ্রুভ তৌরক্লবনিনা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হায়রিবা ইমর্জেন্সি কোভিদ রেসপোন্স প্রোজেক্ট অসিগী ফেজ ২গী সেন্ত্রেল স্যেরসু সেঙ্কসন/রিলিজ তৌনবগীদমক প্রোসেস তৌরগনি হায়খি।

মসিগী মতাংদা সেপ্টেম্বর ২৫, ২০২১দা ষ্টেট মিসন দিরেক্টর (এন ঐচ এম), ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি মণিপুরনসু রিপোর্ট অমা (লেট্টর নম্বর ০২/এস এম দি-কোর্ট কেস/২০২১-২০২২) সবমিট তৌরক্লে হায়নসু হায় কোর্টতা ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি (এন ঐচ এম), মণিপুরনসু সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা রিলিজ তৌরক্লিবা শেনফমশিং অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মপূং ফানা য়ুটিলাইজ তৌরবা মতুংদা ষ্টেট স্যের রিলিজ তৌনবগী প্রপোজেল সবমিট তৌরক্কনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

নাকল অমরোমদা হায় কোর্টনা ৱায়েল চত্থরক্লিবা পি আই এল অসিগা মরী লৈননা পীখিবা দিরেক্সন অমগী মতুংইন্না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী অন্দর সেক্রেটরি বিজয়া চন্দ্রসেখরগী মায়কৈদগীসু কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না এদিসনেল এফিদেভিট অমা থা অসিগী ২১দা হায় কোর্টতা সবমিট তৌরকখি।

অন্দর সেক্রেটরিগী এফিদেভিট অসিনা ফোঙদোরকখিবশিংগী মনুংদা ইমর্জেন্সি কোভিদ রেসপোন্স প্রোজেক্ট - ২গী ওইনদি সেন্ত্রেল স্যের ওইরিবা চাদা ৫০গী শেনফম মাঙজৌননা মণিপুরগীদমক রিলিজ তৌখ্রে। মরম অদুনা শেনফম অসি শীজিন্নবগী ফিজিকেল অমসুং ফাইনান্সিএল রিপোর্টিংশিং অদু মতম চানা অপদেট তৌবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরকখি।

কেস অসিগী মখা তানা চত্থরকখিবা ৱায়েলশিংগী মনুংদা থা অসিগী ২২দা মেট্টর অসিমক কোর্টনা অমুক হন্না লৌখৎখি। নুমিৎ অসিদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল সর্টো টি কোমনা লেপখি অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজম অমসুং এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল এস সুরেসনা লেপখি। নুমিৎ অদুদা এদিসনেল এ জি অমসুং এ এস জিগী মায়কৈদগী সেন্ত্রেল অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওইবা এদিসনেল এফিদেভিটশিং অদু ঙরাং (ওক্টোবর ২১, ২০২১) দা সোফ্ট কোপি ওইনা সবমিট তৌখ্রে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেলগী মায়কৈদগীনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মথৌ তাবা মেটেরিএল অমসুং দোক্যুমেন্টসনশিং সবমিট তৌবা ঙমদবদগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরক্কদবা সেকেন্দ ইন্সটোলমেন্টকী শেনফমশিং রিলিজ তৌরক্তনা লৈরে হায়খি।

অদুম ওইনমক এদিসনেল এ জি লেনিন হিজমগী মায়কৈদগীদি হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং পন্থদনা লৌখৎলগনি হায়দুনা কোর্টতা থাজবা থমখিবগা লোয়ননা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পীরকফম থোকপা বেলেন্স এমাউন্টশিং রিলিজ তৌহন্নবা হোৎনরগনি হায়খি।

এদিসনেল এ জিগী সবমিসন তারবা মতুংদা কোর্টনা পি আই এল অসি থা অসিগী ২৯দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখিবগী মতুংইন্না কোর্টনা হায়রকপা নুমিৎ অসিদা অমুক্কসু লিষ্ট তৌখি। নুমিৎ অসিদদি পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল সর্টো টি কোমনা লেপ্লগা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওফিসল রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপকদবা এদিসনেল এ জি লেনিন হিজমগী মহুৎ শীন্দুনা কাউন্সেল টেঞ্জপ্রিয়ানা লেপখি অদুগা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদনা এ এস জি, এস সুরেসনা লেপখি।

কোর্টনা কাউন্সেল অহুম্মক্কী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা মমাঙথক্তা কোর্ট অসিনা খন্নখিবা পি আই এল অমগা মরী লৈননা লৈখিবা ইস্যুশিং অদুগী মতাংদা হৌজিক্তি অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লগদবনিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি করম্বা থবকশিং লৌখৎলবগে হায়বদু কোর্টতা খঙহল্লকপা ঙম্নবগীদমক পি আই এল অসি অমুক হন্না নবেম্বর ১২, ২০২১দা লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি।

লোয়ননা নুমিৎ অসিদা কোর্টকী মায়কৈদগী থমখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফাইল তৌনরকখিবা এদিসনেল এফিদেভিটশিং অদুদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীদি অহানবা ওইনা চাদা ৫০গী শেনফম মাঙজৌননা রিলিজ তৌখ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লে। অদুবু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীদি লেমহৌরিবা চাদা ৫০গী বেলেন্স অদু ফংনবগীদমক অহানবা রিলিজ তৌরকখিবা শেনফমশিং অদু শীজিন্নরমদ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা ত্রিটমেন্টগী থবক য়াওনা মেদিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর ৱাৎপগী ৱাকৎ কয়া কোর্ট অসিদা লাক্লিঙৈগী চৈরক্তা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা রিলিজ তৌরকখিবা শেনফমশিং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শীজিন্নবা ঙমদ্রে হায়বসিগী মতাংদা অকূপ্পা ৱারোলশিং লাকপা লৈত্রি হায়রদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং শোয়দনা কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ওইগদৌরিবা নবেম্বর ১২, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদবনি হায়বগী দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাকশিন্নবা হোৎনরকপদা মতেং ওইনবগীদমক লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা 'ইন্দিয়া কোভিদ-১৯ ইমর্জেন্সি রেসপোন্স এন্দ হেল্থ সিষ্টম প্রিপিয়র্দনেস পেকেজ - ফেজ ২ (ঈ সী আর পি- ফেজ ২) গী মখাদা লুপা ক্রোর ১১গা লাখ ৬০গী শেনফম সেঙ্কসন তৌরে হায়বগী চেরোল অমা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী অন্দর সেক্রেটরি বন্দনা চৌধরিনা মরী লৈনরিবা মিনিষ্ট্রি অসিগী প্রিন্সিপাল একাউন্টস ওফিসরদা অইবা চেরোল পীদুনা জুলাই ২২, ২০২১দা খঙহনখিবনি। অদুগা ঈ সী আর পি ফেজ ২ অসিগী ওইনা মণিপুরগী লুপা ক্রোর ২৭কা লাখ ৭কী শেনফম অমসু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা সেঙ্কসন তৌরে হায়বগী চেরোল অমসু হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্ট্রিগী অন্দর সেক্রেটরি (এন ঐচ এম-ফাইনান্স) মনিসকুমারনা মিনিষ্ট্রি অসিগী প্রিন্সিপাল একাউন্টস ওফিসরদা ওগষ্ট ১৮, ২০২১দা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

মীয়ামগী ওইবা এজেন্দাশিংদা থবক তৌগনি ...

লামায় ১গী মখা... পূম্নমক শেমদোকপা ঙমগনি হায়বদি নত্তে। অদুবু লৈঙাক্লোইশিংগী মনুংদা য়াওশিন্দুনা মীয়ামগী তৌবা য়াবা থবকশিং মপুং ফানা তৌগে হায়না খল্লি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

পাউ : লৈঙাক অমা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বসি ঐগী ওইনা পেরামিটর ৬ থোক্না য়েংবা য়াই। মদুদি দিভেলপমেন্ট, লো এন্দ ওর্দর, ইকোনোমি, হ্যুমেন রিসোর্স, হেল্থ সেক্টর অমদি দেমোক্রেসি কদাই ফাওবা মেন্টেন তৌবগে হায়বসিনি। পেরামিটর ৬ অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা মীয়াম্না হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কদাই ফাওবা ফজনা থবক তৌই অমদি তৌদে হায়বদু য়েংলগা মীয়াম্না অদুমক লেপ্পা ঙমগনি হায়না খল্লি। এম এল এ খরা দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবসিগী মতাংদদি পোলিটিকেল ইথিক্সতা শোকহনবা হায়বদু ওই। ওপোজিসনদা লৈগদবগী শরুক পৱার পায়বনা ফৈ হায়না মীয়ামগী ইহুল খঙদনা চোংথোক-চোংশিন তৌরুবদগী থোক্লকপনি। পোলিটিকেল ইথিক্সতগী মশাগী ওইবা কান্নবনা হেন্না লুম্না লৌনরকপনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি লাকপনি।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ূম্ফম ওইরগা মীখল লান্থেংনগে খনবিরি।

পাউ : সোসল ৱার্কর অমা ওইনা হৌরকখ্রবসু পার্টি অমত্তদা য়াওরকখিদে। অদুবু নেসনল পার্টি অমা ওইরিবা বি জে পি অমদি কোঙ্গ্রেস পার্টি অনীগী আইদিওলোজিগী মতাংদা খরা নৈনজে। মসিদা কোঙ্গ্রেসকী আইদিওলোজিদনা খরা হেন্না ইশাগী ওইনা চান্নজবা ওই। কোঙ্গ্রেসকী এক্টিভ মেম্বর অমা ওইনসু থবক তৌরি। টিকেটসু কোঙ্গ্রেসকী শোয়দনা ফংগনি খল্লি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : ঐগী ওইবা তোঙানবা এজেন্দা থমদনা মীয়ামগী ওইবা এজেন্দাদা য়ূম্ফম ওইরগা থবক তৌগনি। চাওখৎপা হায়বসি ইকোনোমি অমদি হ্যুমেন রিসোর্স চাওখৎপা চঙই। এগ্রিকলচর সেক্টর অমদি হ্যুমেন রিসোর্স দিভেলপমেন্টদা য়ূম্ফম ওইরগা থবক তৌগনি। লোয়ননা চাওখৎপা হায়বসিদা রোদ এন্দ ট্রান্সপোর্টেসন কম্যুনিকেসনগী থৌদাং য়াম্না চাওনা লৈ। মরম অদুনা লম্বী-থোং ফগৎনবসু য়াম্না কন্না হোৎনগনি।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : চাওখৎপগী ৱাহন্থোক য়ামখ্রে। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা চাওখৎপা হায়বসি লম পাকথোক চাওথোকপা, আর্মি মশিং য়াম্না লৈবা, চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়াম্না পৈশিনবা ঙম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অদুবু চাওখৎপা হায়না লৌনৈ। অদুবু ২১শুবা চহী চা অসিদদি সিভিলাইজেসন অমা চাওখৎপা হায়বসি ভেল্যু বেজনা ওইগনি। ভেল্যু বেজদা চাওখৎপা হায়বসি হ্যুমেন রিসোর্স চাওখৎপনা ওইগনি। অমরোমদা ইকোনোমিগী ওইনা য়েংলুরবসু ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলুবদা মণিপুর অসি জি দি পি রেটতা ৩১ শুবা নম্বরদা লৈ। অদুগা পর কেপিটা ইনকমদনা ৩০ শুবা নম্বরদা লৈ। মসিনা তাকপদি মণিপুর ইমা লৈবাক অসি য়াম্না শোৎথনা লৈরি হায়বনি। সোসল এন্দ ইকোনোমি ষ্ট্রকচর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরনা খ্বাইদগী শোৎথনা লৈরি হায়জ নিংই। মসি ইলেক্ট্রিসিটি, ট্রান্সপোর্ট অমদি কম্যুনিকেসন য়াম্না ৱাৎপদগী ওইরকপনি। মফম অসিদা অচৌবা কম্পনি, ফেক্টরি কয়া শিখিবা অমদি অনৌবা কয়া লিংখৎলক্ত্রিবসিগী মরম অসিসু ট্রান্সপোর্ট অমদি কম্যুনিকেসনগী ফীভম ফৎতবা অসিনসুনি। মতম-মতমগী পাল্লিবা লৈঙাকশিংনসু য়াম্না পুকচেল শেংনা থবক তৌবা চঙই। লোয়ননা ৱার্ক কলচর লৈবা অমদি ইনোভেটিভ আইদিয়া য়াওনা থবক তৌবা তঙাইফদে। করপসনগী হৌজিক লৈরিবা লেভেল অসি খরা হন্থরক্লবদি খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎপা ঙমগনি হায়নসু খল্লি।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : গভর্ণমেন্টকী নোমিনি ফংদুনা অগ্রাগী দি ই আই ইঞ্জিনিয়রিং কোলেজদা ইলেক্ট্রিকেল ইঞ্জিনিয়রিং লোইশিনখি। অপোকপগী মীংনা লৈখিদ্রবা য়েংখোম কেংবা অমদি অপোকপীগী মীংনা য়েংখোম ওংবি থম্বালমচা কৌই। ইচিন-ইনাউ ১০নি। তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌরুবা মতুংদা মণিপুর পুলিস হাউসিং কোরপোরেসন লিমিটেদতা এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র ওইনা চহী ২০ হেন্না থবক তৌরম্লবা মতুংদা কুমজা ২০২০গী মে ৩১ তা থবক্তগী পোৎথারকখি।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : থবক অমা তৌরবদি পান্দম অমা থমদবা য়াদে। পান্দম অমা থল্লি হায়রবসু ঙল্লোইদবা থবক অদু তৌগনি হায়না পংহায়দা হায়জিনবদি ফত্তে। ভোট ফংনবনি হায়দুনসু হায়জিনবসু হৌনদে। কেন্দিদেটশিংনসু য়ারিবমখৈ তৌবা ঙল্লোইদবা থবকশিং তৌগনি হায়জিনহন্নিংদে। মদুনা পোলিটিসিয়ানশিংদা মীয়াম্না থাজনরক্তবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। ঐগী ওইনদি তৌবা ঙল্লোইদবা থবক্তা তৌগনি হায়রোই। শুপ্পগী মীয়াম্না য়াগদবা ফংলিবা টার্ম অদুদা তৌবা য়াবা অঙম্বা মীয়ামগী ওইবা চাওখৎনবগী থবকশিং তৌগনি।

ৱাহং : এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ: এ সী অসিগী টোটেল ভোটর লিশিং ২৮ হেন্না লৈ, পোল্লিং ষ্টেসননা ৩৪ নি। নন মণিপুরী ভোটরদি লৈতে।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : ঐনা মীয়ামগীদমক তৌনিংলিবা থবকশিং অসি তৌরকপা মতমদা লিমিটেসন কয়া অমা লৈ। মীয়ামগী থবক তৌবসিদা লনাই ওইনা অদুমক তৌবা য়াবসু লৈ। অদুগা লৈঙাক্তা য়াওরগা থবক তৌবসু য়াই। তৌবতবু লৈঙাক্তা য়াওরগা মীয়ামগী থবক তৌবনা পাকচাওনা শেমগৎ-শাগৎনিংবা অমদি লো এন্দ ওর্দর শেম্বা ঙম্বা হায়বদু ওই। লৈঙাক্তা য়াওদ্রবদি মীয়ামগী থবক তৌবদা খুৎ তেনশিল্লি। মরম অদুনা মীয়ামগীদমক অৱাংবা থাক্তা থবক তৌনিংবনা পোলিটিক্স অসিদা চঙলকখিবনি।

ৱাহং : করসপন চাওনা লৈরে পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : করপসন লোইনা মুথৎপা ঙম্বা হায়বসি য়াম্না ৱাগনি। অদুবু খরা হন্থহনসি হায়রবদি লৈঙাক্লোই,ব্যুরোক্রেটসশিং অমদি মীয়াম পূম্নমক করপসনগী মায়োক্তা লৈমিন্নবা চঙই। মীওই অমদি কাংলুপ খরনা করপসন হন্থহনবা ঙল্লোই। ঐসু ঐগী মায়কৈদগী লমদম অসিদগী করপসন হন্থহন্নবা তৌবা য়াবা অঙম্বা থবক তৌগে হায়না খল্লি।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : থবক খনবা মতমদা চুম্না মেরিটতা খনবা অমা মথৌ তাই। নহাশিংনা য়াম্না শাওনরিবা অসি থবক লৌবা মতমদা অফবা মতিক চাবা কেন্দিদেটনা খন্দবা অমদি মতিক চাদবা মীনা শেল অমদি শঙ্গ-পঙ্গনা খনবা অসিদগীনি। মসিনা নহা কয়াবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইরোন্নুংদা লুপহন্নবা মচাক অমা ওইহল্লি। থবক লৌবদা অতেনবা মতমদা নোংম-নীনিগী মনুংদা য়ারিবমখৈ হায়দোক্লবা হোৎনবিবা ফৈ। থবক হায়বসিদা লমদম অসিগী নহাশিংদা লোয়না গভর্ণমেন্ট জোব পিবদি ঙম্বা নত্তে। মরম অদুনা তোঙান-তোঙানবা সেক্টর কয়াদা ওন্ট্রাপ্রেনরশিপ, সেল্ফ ইমপ্লোয়মেন্ট জেনরেসন তৌনবা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাহং : মণিপুরগী পোলিটিক্সকী ওইরিবা ফীভম অসিদা করম্বা ৱাখল্লোল চেনবা মীওইশিং চঙলগদি হেন্না চাওখৎপা নুংঙাই-য়াইফবা লমদম অমা ওইরক্কনি খনবিবগে?

পাউ: মসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙবা অসি হৌজিকমক্কী ওইনদি মতম খরা ৱাৎলিব্রা হায়না খল্লি। অদুবু মীয়ামগী লুচিংবশিংনা পুকচেল শেংনা দেমোক্রেটিকেলি ওইনা থবক তৌহন্নিংই। লোয়ননা লমদম অসিগী লুচিংবশিংনা প্রজা মীয়ামদগী তোখায়না লৈতনা মীয়ামগী মরক্তা লৈদুনা অৱা-অনা তান্নদুনা থবক তৌহন্নিংই। পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা থম্মোয় শেংনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা মশাগী থিদনা লৈবাক্কী থবক তৌবা ঙমগদবা মীওইশিং পোলিটিক্সতা চঙহন্নিংই।